# ৱারী মচা

## চৈনা

### ময়েংবম প্রেমচান্দ

মেরা বরনি ঙসি।

ঙসাই অয়ুক্তগীনি সনাতোম্বীনা কোয়লাং-লাংলক্লিবসি। খাদা অমুক চেন, ৱাংদা অমুক চেন বর লাই খুরুম্বা চৎননবা। ময়ুমদা অমুক প্রপ-প্রপ মুরুম-মুরুম শোন্দুনা অমুক লাকই।

"ঐখোয় ইমাদুবু কদায়দা অমুক চৎখ্রিনো? মীনা চৎলমদাইসিদা।" যমুনাদা অমুক ওনশিন্দুনা হংই-

"ইমাবোক, সোমদা ঐখোয়'মাগা লাকপরা?"

"লাক্তেনে ইবেম্মা। নত্তে নঙবু কদায় চত্তোইনো অয়ুক অঙনবসিদা অসূক কেনা থোরক্লিবসিবো?"

সনাতোম্বীনা হরাও-হরাও মমান্নবীশিংগা, লৈকায় মচে-মনেমশিংগা থোকখিবদো যমুনা মুন্না য়েংহৌই মীৎ কুপ্তনা, মমীৎনা হেক উরিফাওবা।ঙসিদি যমুনা মপুক্লীং ইনৌ-নৌই। মতম কয়া কাউথোক্লুরবা অঙাউবগী ঈরোলনুংদা লূপ্লুরবা, মতমচুপ্পা কাউথোক্কে হোৎনরিবা হৌখ্রবা পুন্সিগী ৱারীশিং নৌহৌননা নীংশিংলকই। হৌজিক-হৌজিক্তা থোকখিবগুম মীৎমাঙসিদা শং-শং উরকই। নীংশিংবগী ময়েক অসুম শেংলকই।

"ইমা ঐ চৎকেকো। লই খুরুম্বা চৎপবু কৈদৌই হায়নো।"

ঙরাং-নহান্দগীনি ঙাম্থোইনা মমাদা ঙ্রুং-ঙ্রুং ঙংলক্লিবা ঙাইহাক-লৈতনা বর লাই খুরুম্বা চৎকে হায়দুনা। অয়ূক-নুংথিল, নুমিদাং হায়বা লৈতে, তাঞ্জাবু ফংলবদি হেত্তা হায়। হৌজিকসু-

"য়ারোইকো, ঐনা চৎপা য়ারোই হায়রিসিনী। ইথক-ইরাং তৌরদনা। চৎপগা অমত্তা য়ারেরাই।"

ঙাম্থোই নুমীৎ চুপ্পদা কপ্তুনতা লৈখ্রে। করিমত্তা চাও-থকউ হায়বসু য়াদে। ৱা-লাং ঙাঙনবা য়াদে হেক্তা কপখি।

"ইবেম্মা, চাক লোইরে। লাকও চাক চাথোক্লুরসি।"

ফনা থেমই, চাক চানীংদ্রে হায়দুনা য়াদ্রে। করি উপাই লৈ। যমুনাসু অহীংদুমা অদুম চরা হেল্লে। মথংগী অয়ূক্লি। যমুনা ইমুংগী থবক-ইনখাং লোইশিল্লি। ঙসিদি মহাক তৌরুবা থবক'মতা খোয়জংদে। মওল-মওলখল্লি, মপুক্লীং খোয়রাংই।

"সুনীতা নঙ লাক্লিবরা?" সুনীতা লাকপা উবদা যমুনানা কৌরকই।

"হোয় ইনে, ঙাম্থোইবু...।"

লোইফাক্ত্রিঙৈ যমুনানা মরক থৎলদুনা খুন্নকই-

"মাগী কাদা লৈবনি। ঙাইখো ইনে ৱা'মা হায়খিগে। ঙরাংদগী লাই খুরুম্বা চৎকে য়াদে হায়দুনা চরাকা হেল্লিবনি। নঙনা খরা থেন্নগা অমুক্তা লোইশিনমিন্নৌ। চঙঙো-চঙঙো।"

ইমুংলোমদা অমুক ওনশীন্দুনা লাউরকই-

"ইবেম্মা, সুনীতাখোয় লাক্লে, লোইশিনমিন্নরো থেঙখ্রনি।"

ঙসিদি কয়াদা ফজখ্রবা! পূন্নমক্তগী মচানা পূমহেন-হেল্লবোইদা নীংই। মচানা মশুং-মমান্নবীশিংগী মরক্তা, লৈকায় মচে-মনেমশিংগা হরাও-হরাও চৎখিবদু উরগা যমুনা মথম্মোয়দু পূংপেন-পেঙ্গে। লোন্না মোমোন তৌজে। হরাও-নুংঙাইবতনা মশা পূম্বা থুক্ষৎলবগুম তৌরকই।

নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লক্লে। মতম কৌবী লাইরম্বীনা খোঙকাপ লাওনা-লাওনা কান্দুনা চৎখিবনা মমশীল্লক্কদৌরে। তারমদাই নুমীৎনা নোংচূপ চীংদোন্দা লেপ্তুনা মালেম অমুক উবা ফংলরোই মতাগুম চীংনা য়েংলি। নামিবা নুংশিৎসু লিরি-লিরি শিৎলি। নুমীৎকী ওলাংবা মৈশাদা চোকথনরুরবা তাইবংপান পূম্ববু অমুক তেকখৎহন্দুনা অনৌবা আশা, অনৌবা থৌনা পীরি।

অয়ূক-নুংথিলচুপ্পা অহাঙবা লৌবুক-লক্ষাংদা চাক্তারম্বা পোম্বী-চেক্লা খিবিকসু মহুম মায়কৈ তন্নক্লে। খুনগী ষঞ্জাবুংদা তিল্লম্বা ষনবী-ষন্নাও ময়ূম মায়কৈ পাংলক্লে।

"ইচে ...।"

মখাগী মেমচানি। থোঙ্গাললোমদগী মাবু কৌরদুনা হোবে-হোবে চঙলক্লিবদু যমুনা উই। মচা হল্লক্লুবোই খল্লুই। অদুবু চঙলকপদি উদে। খল্লি, কদায়দা অমুক লৈহৌরজাৎনো!

মেমচা হাথু-হাথুই ইথক -থক্কৎলি।

"ইচে ... ইচে ঙাম্থোইদো ..." মখা তাবা ঙমদে।

"হা! ইবেম্মা কৈদৌরবা!"

"... লাই খুরুম্বা থোরকপদা গারীনা থেংদুনা লায়েংশঙদা পুখৎখ্রে ...।"

মঙলা তাইবংলা খল্লকই। মঙলাক্লরকই তূমদনা, জ্ঞান মাঙই।

যমুনা মঙগুন্না লায়েংশঙ য়ৌরকই। হেক য়ৌরকপগা মচাগী কা তন্না চেনশীল্লকই। মপান্দা মচাগী মমান্নবীশিং মচে-মনেমশিং তূমিন-তুমিন ফন্নম্মী। মায়থোঙশিংদো তঙাং-তঙাংই। মীৎলু ঈরা হৌরকই। চিংনবা অসুম হেনগৎলকই। থম্মোয়দা থুক-লাউরকই।

"ইবেম্মবো, কৈদৌরগে!"

কনাসু খুন্নক্তে। তূমিন মরূ লূক্লা লৈনহৌই। পাউখুম অমুক ঙাইরমদনা কা মনুংদা প্রপ - প্রপ চঙশীল্লকই। উরকই তশেং - তশেং। অঙৌবা ফিতনা নীংথিনা লৈতেংলদুনা তনৌরিবী মচাগী থৱায় য়াওদ্র হকচাং পোলাংদুনা নিংঙাইদনা তূমিন্না য়াতারিবদো। যমুনা অঙাওবীগুম শংত্রিক য়েংই অদুদগী মরোল-মরি খঙদনা খংলাউ-লাউরন্নগা লৈমায়থক্তা জ্ঞান য়াওদনা হাইথখি।

# তাবুনুংদগী

*(মমাংঙৈদা মীতৈ নুপীশিংনা অঙাং থেম্বা, অঙাং তুন্নবা শুম্বা, অঙাং শান্নবা, অঙাং ইরুজবিবদা মখল কয়াগী ইশৈ শক্লরম্মী। ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি, অঙাং ইরুজবিবদা মমা ওইবীশিংনা অঙাং অদুবু চাওরো শাংলো হায়না শকপা ইশৈ )*

'ইমাগীদি নিংথৌরেন, নিংথৌগীদি
শজিকলোই,
থবীনা কারিঙৈ কাহৌরো
নুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো।
ইপা মচুম তারো,
ইপু মচুম তারো,
চাউরো, শাংলো
তিং তিং চাউরো।'

# মণিপুরী পাঙ্থে -পাউরৌ, পাউতাক

**৪২৭ অহল য়াওদবা য়ুম্বাল**
– কাংখোং চাইবা ইমুং।

**৪২৮ অহল লৈরিবমখৈ মীনা উশিৎপা হেল্লি।**
– অহল অমা লৈবগী কান্নবা।

**৪২৯ অহল লমন মশক খঙদবশিংনা খুল্লিংবা খুলদা খুল্লাল্লনু।**
– মথোঙ হুক্তবা মফমদা চঙলুনু।

**৪৩০ অহল লমন লাইগুরু মশক খঙবা**
– অফবা অচঙবা থকশি খাসি নাইনা চৎপা মী অহনবু কিনা-খঙনা চৎপা।

**৪৩১ অহল লমন লাইগুরুগী পাউরৌ পাউতাক্লা অপঙবগী লৈচিল নোংফাই হুমদোকই।**
– অহল লমনগী ফজবা লীচৎ শাজৎ ৱাঙাং কান্নরবা পাউরৌ পাউতাক্লা অপঙবা ময়াম্বু লৌশিং শিংহল্লি, ৱাখল থোকহল্লি।

**৪৩২ অহল লমন্না হায়রম্বা ৱা ককপা ঙমদে।**
– অচুম্বা, অফবা থেংনরকপা লৌশিং ওইবা ৱাফম কয়া – (পাউরৌ পাউতাক কয়া) ককপা ঙমদবা।

**৪৩৩ অহল লমন্না হায়ববু পৎলসনু পুন্নসনু হায়বা নত্তে।**
– অহল লমনগী ৱাদি ফত্তবা অমত্তা য়াওদে।

**৪৩৪ অহলনা অঙাং শাবা**
– অহল ওইরবসু অঙাংগী ৱাখল চেনবা।
– খঙলবসু ৱানিংদবনা খঙশিন্নদবা।

**৪৩৫ অহল অমা ওইবৈ ৱা ঙাঙদবা**
– ময়ান্না নোল্লুকপা তল্লবা অহল, অফবা চৎনবা য়াবা ৱা ঙাঙদ্রবা।
– অহল ওইবগী লোনচৎ চত্তবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

# শৈরেং

## মৈতে পুং

*– খাংঙেম্বম শ্যাম*

ফক্লাং ঘরিগী
১২ য়েরকপা খোম্থাংদা
চেনশিল্লকই থোঙশংবা পাখৎনা
তমজনবা ভারো তারে।
পোৎথারম্লে মন্ত্রিদি নুঙাইনা
অদুবু নিংশিংই ভারোগী থৌরম
হৌদোত্তবদি য়াদে হৌদোক্লুই
ঙংলকই মন্ত্রিদি মমীৎলং
য়াথং মখা তাওথরকই
হৌদোক্লকউ পুং অনীদা।

## বন্দ নুমিত্তা

*– ঋষিকান্তা অতোম*

মায়থোঙ মকশিল্লবীদুনা
খুইথরবা মনা মশিং খরদু
তেকখৎনবা হোৎজরি
ঈশিং-চাই-চাইদুনা।
ৱাখলদি ফুম্বংননা
জ্ঞান তাজদ্রিবা মচাশিংদুনা
হোরবা খাংপোকনুংদা
খৎনরি কপ্পরি চরাংনরি,
অদুগা মাগী নুপানা
মশম মনা ইফা-ফা
নিশা শান্নরি
মাঙ্গোলগী মচিদুদা।

নখোয় পোক্লুবগী মহৈনা ঙসিদি
খোঙদাফম লৈরক্তরে মীতোপ্পা থল্লে
মীতোপশিংবু হৌমিন কামিন্নরকপগুম্না
লেপ্লিনে ঙসিসু মখোয়গীদমক নখোয়না।
শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙমদবনা
নিংথৌ ফম্বালসু মীতোপ্পা ওইখ্রনি
কনবা ঙল্লরোই নরমদম প্রজাশিংবু
মীতোপশিংগী চিরোল দিমান্দ পরেং
হুক্লনি তারক্লবনি লোইবা নাইদনা
মপা মপু খঙদবশিং মনিং তন্ননিদো।
লৈম য়েংলিঙৈ খুনু কারেদো
মীতোপশিংবু থাজবা লৈরিমখৈদি
মাঙখ্রগনিয়ে মুৎখ্রগনিয়ে পোক্লফম লমদমসে
নহাকথক্তা অমুক্তদি কল্লম্নবা থৌদাং
পুথোক্লকউদা পেঞ্জগে নমা ঐহাকসু।

## ঙসিগী পুন্সি

*– হিজম বিক্রম*

পুন্সিসি উনা অকংবনি
মালংগী শাহুমদা চৎপা,
লাইবক থীরগনা অৱালোক্তা
লাইবক ফরগনা লৈকোন্দা
কদায়দনো পল্লেপফম খঙদ্রবা।

## খন্দুনা লৈরগুমসি

*তোংব্রম শামুঙৌ*

কংলৈ লমদমসিগী ঈরৈচাশিং
নুংশিরবা কংলৈ খুন্নাইচাশিং
ঐখোয় তল্লসি হৈননবা
খঙমিন্নসি পুন্না ঐখোয়।
পূক্লিংদা ৱাখলদা খনবনা
ঙসি হয়েং হৌখিবা
মাঙজবতনি কংলৈ খুন্নাইসিগী
লেঙফদ্রবা কংলৈ ঈয়েক
মাঙহনফদ্রবা খুন্নাইসিগী লোনয়েক।
হৈগে খল্লি, তমগে নীংলি
খল্লিবা ৱাখলদা নত্তবা
হৈতবা য়াদে, খঙদবা য়াদে খল্লবা
নুং-পান অনী তুনা
লুদবনি করিসু লায়বনি
লায়থোক্লবু খল্লবদি পূম্নমক,
লুদ লুশিন্নবু খল্লবা
লুদবা লৈতবনি পূম্নমক
করিসু তৌবা ঙমদবনি।
ঙসি ঙরাংগী খোঙচৎনা
চৎখ্রবসু ইমাঙদা খঙহৌদনা
হয়েংগীদমক খন্দুনা ঐখোয়
হৈমিন্নরসি, খঙমিন্নরসি
খঙদবা, হৈতবা য়াদ্রবা
কংলৈ খুন্নাইসিগী ঈয়েক
কংলৈ খুন্নাইসিগী লোনয়েক।

## লমদমসিদা অচুম্বদি লাক্লরোহ

*– কে ইমো মৈতৈ*

ওইদনা অচুমবা ওইহনখরেদো
ওইজবা পাম্বগী চোয়রোলশিং
তাইবংনি থাজরিএ সরকারসিনা
মখোয়না হায়বশিং ঙাক্লিবনি
লাওরিদনা মণিপুর চাওখৎহনগনি
মীতোপ্তনা ঙমবা অহোংবশিং
য়াবিনবা হায়জরি মীতোপশিংদা
ফোংদোক্লি ঐখোয় ইচিন ইনাওনি
মসিরা লমদমসিগী চৎনবীসে?
ঙসিদি ইচাও থোকহল্লরে
অখঙ অহৈশিংনসু ফোংদোক্তে
অঙম অথৌনসু খংবীদে
অরাম্বা তৌবশিংতবু কনখৎপনা
লমদমসিগী অচুম্বা লৈঙাক্লি
চীন্দনা অমা খূৎনা অমা
কম্বীরসে! কম্বীরসে! মীতোপশিংবু
মোমোন নোক্লনি সরকারসু
মীতোপ য়ুম্বান হৌহল্লসি।
করমবা তাঙ্ককনো খংদবশিংনা
শারি মীতোপকী জগোয়দা
পুংলোন কায়হন্দনবা হোৎনরিবা
মীতোপকী পুংলোনশিং কায়হনফদে
নুংঙাইগদৌরিবনি মীতোপ্পা চাম্বীরগা
ঐগী সরকার কায়দ্রবদি
মসিদা লাইনিং ওইবঙাক্তনি
অচুম্বদি লাক্লরোইএ লমদমসিদা।

## ইচা তোম্বগী য়েনবীদু

*– নুংশিতোম্বী*

'কোক-কোক' মখোল তাখিদা
য়ুমথংনবগী ৱাপন্দা
ইচা তোম্বগী য়েনবীদু।
ইচানা লুনা তৌবদু
নিংশিদুনা ঐনা
চংলুই ৱাপল ময়াদা।
ৱাগী ৱাশা ময়ামদু
মশা মরেং ফন্দুনা
ঐবু থৎপগুম তৌখিদা।
ঐনা তাখি খোঞ্জেলদু
ঙাকচরিয়ে ঐখোয়সু
ৱানৌ ময়োন ইচাশিং।
ঐনা খনখি ৱাখন্দু-
তাইবং মী মরক্তা
অশুম্বা ৱাখলগী নত্তবগী
কয়াবুদি য়াওরিদা।

## নখোয়গী খনবদা ইমা ঙাওরেনে

*করাম চাউবা মৈতৈ*

থৌনা ফবা শাবা ইমাগী পারি ইমোমশা
কুবের শাগৈ লুহুপ উপ্পদা ঙাওজবশা
নপাম লমদমদি মীগী ওইখিদৌরেনে
অশেম্বা, অশাবা পুৱারীশিংবু
মীগী মরোল ৱাইদুনা ইশিনখ্রেনে
মীতোপ লাইনিং ধর্ম্মদা ওনশিনখ্রে ।
ইকায়বা খঙদবা মীয়ান মীতোপ্পা
নিংথৌ ফম্বাল কাদুনা লৈখ্রে

## পুন্সিগী নাচোম

*– অনন্দ অকোইজম*

পুন্সি খুদিংনা পান্নদনা
চিন্নরিবা নাচোন্নি-'ঙাইবা'
অদুবু!
চিন্নরগা লৈমল্লকপা
নাচোমদি ওইরমদ্রে-'ঙাইবা'।

## খোল্লাও

*– নান্দেবম রাজেস*

লম্বীগী চিদায়দা তারম্বা
থৱায় লৌথোকপিখ্রবা হকচাংদুনা
লাওরক্লিবা খোল্লাওনি তাবীদ্রবা
পুবীরকপনি ঐবু ইয়ুমদগী
ইমাগী মথানুংদগী শেক্তুনা।

# লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ উমংগী হক(বঙ্গালি উপন্যাস)**
**অইবা ঃ মহাশ্বেতা দেবী**
**হন্দোকপাঃ এল রঘুমনি শর্ম্মা**
**ফোঙবাঃ সাহিত্য একাদমী**
**মমলঃ লুপা ১০০ /–**

বাংলাগী শীংথানরবা অইবী মহাশ্বেতা দেবীগী সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী মনা ফংখ্রবা লাইরিক মণিপুরীদা উমংগী হক হায়না এল রঘুমনিনা হন্দোক্লিবা লাইরিকসি লামায় ২৪৩ পাল্লি, মমলনা লুপা চামা (১০০) পীরি। উপন্যাস অসি খৃষ্টকী কুম ২০০৪দা সাহিত্য একাদেমিগী এসাইনমেন্ট মখাদা মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্লগা ধনী কোপিয়র এণ্ড কোম্পাইনর্স, কৈশামপাত্তা ময়েক শাজিল্লবা মতুংদা এ টি এস গ্রাফোলেজর, ১৭ বি লেক ভিয়ু রোদ, কলকাতা ৭০০০২৯ দা নম্লগা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিনা ফোঙবনি। বৃটিশ ইমপ্রেলিজমগী মতমদা ভারতবর্ষগী নীংতম লানগী ইতিহাসতা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈনবা ৱারীনি। লাইরিক অসি পারকপা মতমদা নাইজরগী অইবা চিনুৱা অচেবেগী নোভেল 'থিংস ফোলস এপার্ট'কী ৱারীশিং নীংশিংহল্লি। ইন্দিয়াগী নীংতম ইহৌ মায়কৈ কয়াদগী চঙশিল্লকপা মতমসিদা বীরসা মুন্দাসু কলোনিএল ইমপ্রেনিজমগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌখিবা ভারতকী অথোইবা মচা অমনি। মহাক বিদ্রোহি অমনি। জাতি পূন্নমক্কী ইতিহাসতা বিদ্রোহি পুম্বা সমাজগী ইতিহাসনা হোংলকপদা মখোয় অদু জাতি অদুগী অথোইবা মচাশিংনি হায়না শীংথানৈ। মখোয়গী থবক থৌওং খুদিংমক তুংগী ইহিসতা ময়েক লানা লৈহৌবতা নত্তনা জাতি-কাঙলূপ অদুগী ইকায়-খুন্নফম ওইবা মীশক-মীওইশিং ওইনা শৈথানদুনা লৈহৌই। বীরসা মুন্দাসু অদুগুম্বা য়াওলগী ৱাখল চেনবা মীশক অমনি। কলোনিএল বৃটিশকী মথক্তা মহাক্লা মায় পাক্লা লাঞ্জং চঙশিনখি। বৃটিশ সরকারগী লাম্মীশিংনা মহাকপু ফারবা মতুং তমথীনা ওৎ-নৈরবা মতুংদা মহাক শিখি। ৱারী অসি অশেম্বা ৱারী ওইরসু তশেংবক্তি ইতিহাসকী থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীনি।

মহাশ্বেতা দেবী ভারতকী ওইনা শীংথানরিবা অইবীনি। মালেমগী ওইনসু শকখঙনবী অইবী অমনি। মহাক্কী লাইরিক কয়া ষ্টেট অমদি নেস্নেলগী থাক্তা শকখঙবা লৈখ্রবনি। লাইরিক অসিগী ৱাহম্থোক্তা অইবীনা মহাক্কী ৱারোলদা ইরি- "লৈবাক অসিগী সমাজিক অমদি অর্থনিতিক য়াকায়রকপদা মহাক পোকখি অদুগা মঙাল শন্দোরকখি, মদু শুপ্নদগী বিদেশী সরকার অমদি মদুগী মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা হৌখিবা বিদ্রোহি নত্তে, অমুক্তদা পুন্না বিদ্রোহ অদু মতমগী ফিউদেল থৌশিলগী মায়োক্তসুনি। ইতিহাস অপুম্বা অসি খন্থদুনা য়েংলুবা নত্তনা বীরসা মুন্দা অমদি মাগী য়াকায়রোলবু নুং য়ৌনা খন্থবা ঙম্বা ওইথোক্তে" বীরসা মুন্দাগী ৱারী অসি অশেংবমক্তি অৱাবদা পোলোয় ওইবা ত্রেজিক এন্দিংনি। অদুবু লাইরিকসি অসুম পারকপদা মীওই অমগী মফমদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ইথিলগী মমল অদুবু মমল লৈনা উহল্লি। মালেমদা লৈরিবা মীওইবা জাতি পুম্বা মনীং তম্বা পাম্বা ঙাক্তনি। মীওইবনা মশাগী অমদি মজাতিগী নীংতম্বগীদমক্তা মথৱায় থাদোকপদা অকিবা পোক্লদবা ঙাক্তনি। বীরসা মুন্দাসু অদুগুম্বা মীশক অমনি। মহাক্লা মুন্দা কাঙলূপকী ওইনা মনীংতম্নবগী লানফমদা মথৱায় থাদোকখি। লোই চনবগী নীতিনা মালেমগী জাতি কয়াগী মীয়াম্বু মশাগী অমদি জাতিগী নীংতম্ববু শীংনরকপা অদুগী মায়োক্তা বীরসা মুন্দানা লেপখি। অদুগুম্বা লোইলম লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা নীংতম্বগী ঈহৌদা মহাক্কী পুন্সি কথোকখিবা মীশক্লি। উপন্যাস অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লাইরিক অমনি হায়দবা ঙমদে। এল রঘুমনিনা হন্দোক্লিবা লাইরিক অসি নৈনবা য়াবা লাইরিক্লি।

**আর জে মীতৈ**

## পুন্সি তাঙ্কক্কী মমল

***– ওইনাম কুবের***

চাকলুক ময়াদগী মমানা
তাম্থোকপীখি মিনু ফুদুনা,
বেমবেম চৈনাখোল ফাওহৌই,
মীৎলুদা ইরা চেলহৌই।
ঙা মচেৎ অমা বেমবেমনা
য়েপশিল্লি ফনেক ফিরৈদা,
মিনুগীদমক্তা চেৎনা
কেরুক কেরুক য়েংদুনা।
নুমিৎ খূদিং পূংজা খূদিং
নুংশিনা শান্নমিন্নবা মিনু
মাতৌ উই তাইবঙদসু মঙলান্দসু,
মাতনা হেল্লি পূম্নমক্তগী।
কোয়থি থিরুই মিনু!
কাংখদা ঙা মচেত্তু পীজে,
কাংখদগী চিংথোক্তুনা পমখৎলি
ইরা চেন্ন মীৎলুদা।
তনকৌ কৌই, 'মিনু'
'ঙ্যাউ' খোঙলকই মিনু,
চেজেৎ কোনশিনবী মিনু
মায়গা মায়গা থেঙননা।
বেমবেম কপই লোন্না,
মমানা খঙই ফোঙনা,
মন্তিক্লবা ঙল্লরোইদবা
পুন্সি তাঙ্কক্কী মমল।